# মথংগী মপোক লৈরম্লবা ... ঐ কুকি ওইনা পোক্লুগে

ইজগদৌরিবা ৱারেংসিগী মিংথোল অসি তাবদা, অপাবশিং থবাক য়ৈগনি, ঐঙোন্দসু শাউগনি। মচিন পেন্না চৈনীংগনি পূন্নমক্না। করি অমুক হায়গনি - ইরৈবাক্কীদমক লান্থেংনরিবা ইচা-ইনাও-মরুপশিংনা মখোয়গী নোংমৈ মতোন্দু ওনশিন্নীংগনি ঐঙোন্দা। ৱারেং অসি ইগে খল্লকপা মীকূপ মমাঙদা কয়ারক হন্না খনখ্রবনি - মিংথোলসিগী মরমদা অদোম্না অমদি ইরৈচাশিংনা করি খনখিদগে? থা তরা ফাজিল্লক্লবা মে ৩, ২০২৩দগী কুকিশিংনা মীতৈশিংদা চথরক্লিবা শা'দই হেন্না তমথীবা মীওৎ-মীনৈগী থবকসিগী মতাংদা ইজখিবা ৱারেংশিংদগী খঙবীরম্লগনি ঐগী থম্মোয় ইহুল... কয়ামুক য়াম্না হকচিন্না শোকহনখিবা, শারমচৎ চৎপা কুকিশিংগী শাজৎ'না। 'ফত্তবা তাগনু, ফত্তবা য়েংগনু, ফত্তবা তৌগনু, ফত্তবা ঙাঙগনু'... হায়বা পামজনা ইনজরকপা ফিদমদুগী থাজবা মাঙখিবনি কুকিশিংগী কা হেনবা ফত্তবা লমচৎ অমদি হিংমিন্নবগী ৱাখল লৈতবা মতৌদু উরুবদা।

খনখি, নৈনখি অহিং কয়া তূমদনা - করিননো মখোয়বু অসুক তমথীবা মীওই ফূরুপ অমা ওইহল্লকখিবা? ঐখোয় (মীতৈ) সে ঐদই চিংনা ফদোকমল্লি। চানবী হৈবী, থৌজাল হৈবী, নুংশি চাউবী ইমাগী মচানি খন্দুনা চাউথোকখি। মখূত্তা পায়বা মরলবু লৌনম চাউবা মতাওদা পীথোকপদা চিংনখিদে। মপূক থন্দ্রবা চাকখাউদু হাঙহন্দুনা থল্লগা ঙসিতা থুংলবা মীথুঙদা পীজথোকখিবা, 'অতিথী সেবানা অথোইবনি, মীথুং হায়বসি ঈশ্বর মাগী শক্লোন'নি কোক্তা চূশিনহনখিবা ... মীওক-মীচান ফবনা, মশাগী ময়ূম ইঙ্খোলদা শাইদাংদুনা লৈরবা কনাগুম্বনা 'কৈ' (লন-থুম পৈফম) শাদুনা লৈরক্লবা ফাওবদা য়ূমদাংলবা মহাকপু মীতোপনি খনবা ঙমদবা... পাঙদবা ইতৌ অদুবু 'অচৌবা মী' (মহাপুরুষ) কী মতৌনি খন্না পেন্থোকচখি। অদুগুম্বা য়ূমদাঙবশিং, ইরমদমসিবু মরমদমনি খন, লৌ মপূ য়োংনা তাল্লি হায়বই থৌদৌ তৌরকখিবশিংদু কনানো? হৌখিবা চহী কয়াসিদা ঐখোয়না খঙদোক্লবা কৈদৌঙৈদা হোৎনখিদে। ঐখোয়না মশক খঙদোক্ত্র'সু, মশানা মশক তাকথোকচরক্লবা মীনুখাঙ ময়ামদুগী মথক্তা পীফম থোকপা চৈরাক্তুসু ঐখোয়গী লৈঙাক লুচিংবশিংনা পীনবা ৱাখল তৌখিদে। কুকিশিংনা মীতৈশিংগী মথক্তা অকনবা ঈহৌ অমা শাগৎতুনা চঙশিল্লক্কদৌরে হায়বগী ময়েক শেংলবা ইঙ্গিৎ পীরকখিবদি কুইরবনি। খঙনা খঙনা খঙশিন্নদবরা? উনা উনা থী নেৎপা হায়বদুরা? অমদি তৌখ্রে লৈঙাকপশিং। মমিৎতা খুদোনবী থিনবা হায়'দু তারনি, হৌখিবা চহী মঙা-তরাসিদা থোকখিবা থৌদোকশিংদু ৱারেংসিদা অমুক ইজররোই। খঙল-হৈরবা স্কোলারশিংনা, নৈন-মীফম কয়াদা পুথোক্তুনা নৈনখ্রে। অদুবু লুরিবদি ঐখোয়গী লৈঙাক লুচিংবশিংগী মীনা হায়বা তাদবা, মীচম মীয়ামগী ৱাকৎশিং 'শামু মথুন-পেনা খোংবা' হায়বই থৌদৌ তাহনবা - শেমদোকপা য়াদ্রবা মরমচৎ অসিনি। ঙসি, মৈরিক্তুনা মৈজাও ওল্লক্লবা, কন্নবই পান্থে উরক্ত্রবা তানফম অসিদসু, ঐখোয়গী মীতৈ লীদরশিং মখূৎ কারন লোন্দুনা, চীনবান ফোৎচিল্লদুনা ফল্লি তুফক-তুফাই চন। পার্টি পোলিটিক্সকী চৈখৈ ৱাংমা লান্দুনা 'পিপলস-পোলিটিক্স' তৌহৌদ্রবা, হু তৈরবা তেনজৈ চবুন পায়দুনা মাগী মীয়াম্না মমাঙদা ঙাইদুনা লৈরম্লি খন্দবা মাল্লি ৱাখলদুদা। লৈবাকসিদা হৌজিক শোক্লরিবা লানফমসি লৈকায় অনীগী মরক্তা নত্তে - খঙগদবনি মখোয় হুম্ফু'না। ফূরুপ অমগী মথক্তা অতোপ্পা ফূরুপ অমনা লান তারকপনি। ফূরুপ অমগী মহুৎ শিনবা মখোয় তরাদি চৎমিন্নরি মফূরুপকী মীয়ামগা। লান ঙাক্লিবা ফূরুপ্তুগী মীহুৎ নিফুদুদি, মফুরুপ কনবই ৱা মথম্মোয়দা লৈর'সু মীমাঙ থোক্না 'ঐখোয় লৈরি' চোংথোকচবা ঙমদরে। দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্কী 'রিয়র (তুংগী) ইঞ্জিন' ওইরিবা ষ্টেট লৈঙাক্কী মীহুৎশিংসু থৌদু-নূংগী থম্মোয় ওনখ্রবা কেপ্তেন'দুনা তূমিন লৈখিবনা ৱাহৈ অমাত্তসু মচিনবান্দুনা কাংথোকচবই থৌনা লৈতরে। মখোয় নিফু পূনশিন্দুনা 'পার্টি পোলিটিক্সতগীদি ইরৈবাক্না হেন্না লুই' হায়বা খোল্লাও অমা লাউরক্কনি খল্লুবা ঐগী ঐগী ৱাখল অদুদি ঐনা 'উতোপিয়ন' (ইরৈবাকসি ফিদম্লিংঙাই ওইবা অফবতা ওইরক্কনি খঞ্জবা কনাগুম্বা) অমা ওইরুবগী মঙলান অমা ওইরম্লে।

ফরে, ৱারী অসি তোক্লসি। লৈ/লৈতে খঙদবা ঈশ্বর মাগী অপাম্বা অমা লৈরমগনি। মেন প্রোপোজেস, গোদ দিসপোজেস হায়বা ৱা অমা হায়নরিবসি মরম অসি লৈবননি। ঙসিগী ৱারেং অসিগী মিংথোল ওইনা খল্লুরিবা ... 'মথংগী মপোক লৈরম্লবা, ঐ কুকি ওইনা পোক্লুগে'... হায়বসিগী শেংদোক ৱারোল হায়গদ্রা/জষ্টিফিকেসন হায়গদ্রা মরোল অমদি তঙাইফদবরা?

হিন্দু ফিলোজোফি হায়গদ্রা? মিথোলোজি হায়গদরা? হিন্দুশিংনা খ্বাইদই থাজজবা হোলি বুক (অশেংবা লাইরিক) অমা লৈ - 'গিতা' কৌই, খৃষ্টিয়নশিংগী 'বাইবল' অমদি মুসলমানগী 'কুরান' গুম্বনি। মখোয়গী অথোয়বা ঈশ্বর (সুপ্রিম গোদ হেদ) কৃষ্ণ'না মাগী অচানবা মনাই অর্জুনগা অৱায়-অখুম তৌনবা, দিসকোর্স অমগী মওংদা ইবা লাইরিক্লি। অর্জুনগী (মীওইবগী) পূক্লিংগী অমম্বদু ঙালহন্নবা, মঙাল পীবা তাইবঙ মপূগী পাউতাকুম্বনি শীংথানৈ। লাইরিক্তুগী খ্বাইদগী মরু ওইবা/মমিং চৎপা 'স্পোক' (শৈরেং/ভর্স) অমনি... 'যদা যদা হি ধর্ম্মশ্য... সঁভবামি যুগে যুগে'... তাইবঙগী মীরোল খুদিংদা/তাইবঙসিদা অরানবা তৌবশিংনা/অচুম্বা তৌবশিংবু লাকশিল্লক্লবা/ধর্ম্মনা মরায় চায়থরক্লবকান/ধর্ম্মগী য়ূম্ফম থোন্নবা/সাধু (মীচম) অমগী শক্লোন লৌ'/তাইবঙসিদা ঐ শায়োল্লক্কনি...। অদুগুম্বা মতমদুমক্লি - মণিপুর অমসুং লৈবাকসিগা য়ূমলোন্নবা ম্যান্মার' কৌবা লমদমসিদা ওইরিবা। অরানবা তৌবশিংবু লাকশিন্দুনা, অচুম্বগী য়ূম্ফম থোন্নবা, দুর্যোধন অমসুং মাগী তেঙ্গোলবু সর্বনাস শানা মাঙহন্নবা দ্বাপুর যুগকী কৃষ্ণ ওইনা পোকখিবদুগুম, কুকি-চিনশিংবু সর্বনাস শানা মাঙহন্নবা অনৌবা মীরোল অসিগী অনৌবা কৃষ্ণ অমা শায়োল্লকপা মতম ওইরে। গিতা অমগী কৃষ্ণগী ৱারী - কুকিশিংদি খঙলম্লোই। ধর্ম্ম করিনো, কর্ম্ম করিনো? মখোয়বু ৱাখল তাহনবা, খ্বাইদই তঙাইফদবনি। খৃষ্টিয়ানিতি করিনো? বাইবল'না করি হায়রিবা? মখোয়দা কনানসু তাকপীদে। কনানসু তম্বীদে। 'খৃষ্ট' হায়বদি 'কৃষ্ণগী দিরাইবেটিভ অমনি, যিসস'সু মতম অমদা কৃষ্ণগী ফিলোজোফি'দা ঙাওজখি...এদ্যুকেটেদ খৃষ্টিয়নশিংনা হায়বা ৱা চঙদে মখোয়গী নাকোংদা। তাদবদু তাহন্নবা, উদবদু উহন্নবা 'কৃষ্ণ'গুম্বা সুপ্রিম পর্সনেলিটি অমা পোকহনবা মথৌ তাই কুকিশিংগী মরক্তা।

মথংগী মপোক (ইংরাজিদা 'ইনকার্নেসন', সংস্কৃৎ'তনা 'অবতার') হায়বসিগী ৱাহন্থোক, ঙসি লান য়াওরিবা কুকি লান্মীশিংগী লানচিং পুরেল, ময়াই কাবা পোৎ পীজদুনা লান মমায় চুন্লিবা মখোয় কনাসু খঙলম্লোই। হৌজিক হিংলিবা পূন্সিসিগী মতুংদা অতোপ্পা মপোক অমদা অনৌবা পূন্সি অমা লেল্লুগনি হায়বা ৱাখল্লোন (কন্সেপ্ট) অসি খৃষ্টিয়ানিতিগী লল্লোন-মীশিংনা শুকয়া য়াবা ঙমদবনি। ৱাখল য়াওদবা ৱাহায় (নন-সেন্স) নি, তত্তনা হায় খৃষ্টিয়ন, মুসলমান, বুদ্ধিষ্ট'নচিংবা কাঙবুনা। অবতার নৎত্রগা ইনকার্নেসন - নৈনবগী লোইবা নাইরোইদবা হীরম অমনি। ৱাফমসিগী সপোর্ট নৎত্রগা ওপোজিসনগী ৱা ইজররোই। মমাঙ' মপোক হন্দক' মপোক নৎত্রগা মথং' মপোক - ৱারেংজরিবা ঐগী অন্দরষ্টেন্দিংদদি - ঐনা হিংলিঙৈ মতমসিদা (মপোকসিদা) তৌখিবা অফবা নৎত্রগা ফত্তবা থবকশিং অমসুং থবকশিংদুগী মহয় ওইনা ঐনা নৎত্রগা ঐগী ইচা-ইশুনা ফংগদৌরিবা চ্যেন ইফেক্ট অদুনি। 'ঐনা তৌখিবা থবক নৎত্রগা খনখিবা ৱাখল অমা কৈদৌঙৈদা লেম্না মাঙদে' কাউগুমসি। ঐখোয়না খনবা ৱাখলদুননি ঐবু থবক অমা তৌহল্লক্লিবা। থবক্তুগী মহয়নি হৌজিক নৎত্রগা হোরেন ফংদৌরিবা ঐখোয়না। পূন্সিসিনা ঐহাক্না খনখিবা ৱাখলশিং অমসুং তৌখিবা থবকশিংদুই অরোইবা ফল (এন্দ রিজল্ট) অদুনি ঐনা/নঙনা/মহাক্না শিরমদাইদা ওইদৌরিবা পূন্সি শক্তম। শিরমদাইদা খনখিবা ৱাখলদুনি ঐগা নক্লরম্বা/লোয়নরম্বা মীওইশিংনা মখা শমথহৌরিবা। শোক্ল-শম্ন-য়াদবনি হায়না মতম অমগী খুন্নাইনা ইন্থোক্তুনা থল্লবশিংবু গান্ধীজিনা 'হরিজন' (হরি/লাইগী মচা) মিংথোন্দুনা মখোয়গী মরক্তা লৈদুনা মীয়ামগী ৱাখল চুমথোক্লবা হোৎনখি হায়রমখি- 'মথংগী মপোক্তদি ঐহাক হরিজন ওইনা পোক্লুগে'।

কুকিশিংবু মীওইবা খুন্নাইদা হিংমিন্নবা য়াবা মীওই ফূরুপ অমা ওইহন্নবগীদমক্তা ঐখোয়গী মাঙদা তারিবা পান্থে অনীখক্তনি - কৃষ্ণ ওইনা পোক্তুনা শর্বনাস শানা মাঙহনবা নৎত্রগা গান্ধী ওইনা পোক্লগা অমম্বা বুদ্ধি ঙান্থোকহনবা।

*-ইন্দ্রকুমার*

# ঐগী নুপাদো পুলিস ওফিসরনি

হন্দক্কী কোভিদ সেকেন্দ ৱেভকী ঈরাংসে মণিপুর য়ৌশিল্লকপদা মীপূম খুদিং মীপাইনরি। অহানবা মমাঙগী ৱেভতুগী অৱাবা ফাও কোক্ত্রিঙৈদা অমুক সেকেন্দ ৱেভ য়ৌশিল্লকপসি, করম থোক্লগবা খঞ্জে খুন্থক নিঙোল তবাবীনা। হিংনবগী লানফমদা পীক্লিবা মচা অদুগা মপুরোইবগা ঙন্না খাইনরক্তুনা মপামদা লৈ হায়দনি, ওন্থোক্লদি তনখিদ্রে, লৈকায়দা ঙাঙনৈ তবাবীগী মতৌ তমজৌনে হায়না মচা-মমৌ চৈবদা।

য়াম্না নুংঙাইবা ৱারী অমা লৈ, তবাবী হায়রগা নীংশিংলক্লে। মানা ময়ূম পাল্লুবা খুনখা মচা তাচাউবগী মচাদো, মমিংদো করি হায়গে হায়বদা... য়েস, নীংশিংলক্লে... তোলেন হায়ব্রা কৈনো। মঙাও থীনা ঙাওবা, লোইনা শুই হৌজিক্কানগী চীঙ্গাক, চাদবা লৈতে, থক্তবা লৈতে। তবাবীগী মমা অশোনবীদুনা লৈত-লৈত শিন্দুনা লুহোংবদা য়াওখিবা পোৎ চৈ ফাও শোকচিল্লকপদগীনি, তবাবীগা, তোলেনগা কায়নখ্রিদো, অদুবু তবাবীনা চেন্নরক্লিবা অঙাংদুদি তোলেনগী মচানি।

হৌজিক্তি তোলেনদু ৱাখল ফজনা তারে হায়দনা ৱারী লীরম্মী। নোংমা মপানা, মখোয়গী লৈজবা লৌফমদু তঙ্খাই অমা য়োল্লগা, থবক চঙলে, পুলিস ওফিসর মচা অমদি ওইরে হায়রম্মী। কয়াদি নুংঙাইরে তাবদা। হৌজিক-হৌজিক কোভিদ লাইচৎসিগী ফ্রন্ট লাইন ৱারিয়র অমা ওইনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা দ্যুটি তারি। কৈথেল ফম্বী ইমা-ইবেলশিং কন্ট্রোল তৌবা হৈবদা মীয়াম্না থাগৎনৈ তোলেনদো।

অয়ূক পুং ৬তগী ১০ ফাওবা কৈথেল কোমথোক্কনি হায়দুদা তবাবীনা কৈরোই লৈকায়গী ইঙ্খোলদগী মনা-মশিং খরা খোল্লগা ঙন্তা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা হাইগৎচরকই, অদুবু কৈথেল য়ৌবদদি খরা থেংখ্রজাৎনি, মানা তোংলিবা গাড়ীদু য়ারক্তবদগী। খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল য়ৌরে তবাবীদো, প্রপ-প্রপ পোৎ চৈশিংদু থাংথবদা ঙাইরি... "ওআউং...উং....উং" হায়দনা সাইরেন খোংজিল্লক্লি, তবাবী পাখৎচৈ মচা অপীকপদুগা। পোৎসু য়োনবা হৌদ্রি কন্সটেবল অমনা চঙলক্লগা মাগী লীচৈদুনা পোৎ চৈশিংদু চাইখাইবিরি। তবাবী কপচৈ, পুলিসতুনা চৈবীরি "ননাদু তাদ্রা সাইরেন খোংলিসে,... কোভিদ লায়না শন্দোকফমসি কৈথেলসিসু অমনি হায়বসি নোইসু খঙফম থোকইনা"... ঙাইহাক অৱাই অখুম তৌনরম্বদগী, তবাবীগী মচিংদো লাক্তনা পুলিসতুগা খৎনরি। কৈথেলদা লাকপা নুপামচা অমদি তুমিন্না ভিদিও নল্লগা ব্রিকিং ন্যুজ ইন খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল হায়দনা লাইভ ওইনা অপলোদ তৌরিজাৎনিদনা। থাপ্লপ্পা জিপসি মনুংদা ফল্লগা মোবাইল মেৎলিবা তোলেননা ব্রিকিং ন্যুজ ইন খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল হায়বদু ফন চোংথোরকপদা মাগী কায়নখিবা তবাবীনি হায়সি খঙলে, তোলেনসু উবদা খঙনুং নুংঙাইতবা অমা ফাওরে।

তাঞ্জাদুদা পোৎ চাইখাইরুরিবা কন্সটেবলদুনা চঙলক্লগা মোইগী সারদুদা তল্লে, "সার নুপীসি মঙক য়াম্না হাইগৎলি, ফাজিল্লগে তৌবদা মানা করি হায়রক্কে হায়বদা, ঐবু ফাগে হায়রদি নঙগুম্বনা ফাবা য়াব্রা, ঐগী নুপাদুসু পুলিস ওফিসরনি খঙজৌ হায়রকই। ঐবু ফাগে হায়রদি নোইগী কম্মান্দ তৌরক্লিবা ওফিসরদু লাক্লগা ফারু লাও, ইখোঙ থোংনা চৎপীগে হায়রকই" সার।

'ইবুংঙো কন্সটেবল', সার, "নুপীসিগা মান্নরুরনু মাগী পোৎ চৈশিংদো লোইশিনবীরো অদুগা ঐখোয়গী ওফিসরনা পীরকপনি হায়দনা লুপা ৫০০০সিসু পীরুরো অদুগা পোৎ চৈদুসু লোইশিনবীরো অদুগা ময়ূমফাও থিনবীরুরো"... য়েস সার। তবাবী পুমঙক ঙকই, লৌশিল্লে পৈশাসু, গাড়ীসু ফংদবসিদা য়ূম ফাওসু থিনবীরুরে, অদুবু তবাবীনা চিংনদবা ঙমদে... ময়ূম কোন্থোং য়ৌরকান্দা তবাবীনা "নোইগী সারদুগী মমিংদো করি কৌবগে" হায়রকপদা কন্সটেবলদুনা খুম্মী "ঐখোয়গী সারগী মমিংদি তোলেন কৌই।" ... হা তোলেন।

তবাবী মমিৎতগী মপি শিন্থখিবা খঙহৌদে। মপি শিন্থ-শিন্থনা অমুক্কসু হংজৈ কন্সটেবলদুদা "নোই সারদুবু য়ূম পাল্লব্রা"? কন্সটেবলদুনা খুমজৈ "ঐখোয় সারদি লুহোংলে, মচা লৈরে হায়। অদো ময়ূমদদি লৈমিন্নদে তাই" "নোই সারগী ফোন নম্বর পীরম্মু" ... "সিদি নুংঙাইরোই ইতৈমা"। "অদুদি নঙ হৌজিক ফোন তৌ নোই সারদা" হায়রকপদগী ফোন তৌনরে। ইতৈমদা ফোনদু পীরে, ইতৈমদু হিক-হিক কপখি... করি হায়নখিবগে হায়বদি খঙদে... অদুগা ইতৈমদু তপ্লা-তপ্লা নোকফেৎ-নোকফেৎ সুম তৌরকপগী ৱানি...।



অসুম্না কোভিদ লাইচৎনা শিনবীদুনা তোলেন অমসুং তবাবীদো অমুক হঞ্জিন্নজরে... তবাবীগী পোৎ চৈ চাইখাইরুবা পুলিস কন্সটেবলদুসু মখোয়গী সার তোলেননা চাক কৌখ্রে ... তাই!!

(কোভিদ লাল্লক্তা ইখিবা)

*-আর কে বুধিমন্ত কর্তা*

# মীওইবা খুন্নাইবু অফবা মায়কৈদা অদুগা অচুম্বা লম্বেলদা পুনীংবা ৱাখল্লোন চেনবা শৈরেং লাইরিকনি 'ৱাংমদা শাৎপী থাদোই'

চোংথাম রোনিকুমার কুমজা ১৯৯৬কী দিসেম্বর ২৭তা উরিপোক পোলেম লৈকায়দা পোকখি। অপোকপনা চোংথাম প্রিয়োকুমার কৌই অমসুং অপোকপীগী মিংনা চোংথাম ওংবী প্রেমিলা কৌই। মচিল মনাও নুপা অনীখক পোকপদা মহাক্না অতোনবনি। য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা খোরিরোলবু য়াম্না পামজদুনা লাকখি। মহৈগী থাক্না গ্রেজুএটনি। "ৱাংমদা শাৎপী থাদোই" হায়রিবা শৈরেংগী খোমজিনবা লাইরিক অসিনা মহাক্কী খোরিরোলগী খোঙচৎতা পুথোকপা অহানবা শৈরেং লাইরিক্লি। শৈরেং ৪৮গী খোমজিনবা লাইরিক্লি। সাহিত্য একাদেমিনা নোভোদয়া থৌশিলগী মখাদা পুথোকপা কন্টেম্পরেরি মণিপুরী শৈরেংনি।

পূন্সি অসি লানফম অমনি অদুবু লান অসি মায়োক্লবা কিদুনা চেল্লবদি মহাক অদু পাঙদবা অমনি হায়না লৌনৈ। পোকপা শিবা অনীগী লংদাইদা লৈরিবা খুরৌ থাংবা লম্বেলশিংদা চত্তবা কনাসু লৈরম্লোই। নুংঙাই য়াইফনা লৈবা মীওইশিং ফাওবা পূন্সিদা অৱাৎপা, নুংঙাইতবা, পেন্দবা, নীংবা থুংদবা পূন্নমক থেংনদুনা চৎনরি মানা-মানা পামজবা লম্বেল থিরদুনা পূন্সিগী ৱাহন্থোক অমসুং হিংবগী নুংঙাইবা হায়বদু করিনো হায়না। নহা ওইরিবা কবি রোনিকুমারসু অসিগুম্বা পূন্সিগী তাঙ্ককশিং শোয়দনা থেংনরমগনি। মায়থীবা, মায় পাকপনা তোঙান্না থল্লগা পূন্সিগী চেলেঞ্জেস কয়াদি মায়োক্লগদবনি হায়বদা য়ূম্ফম ওইবা শৈরেং 'মওং মানবা' মিংথোনবা শৈরেং অসিনা নুংদা ফোঙদোক্লিবা মপূং ওইবা ৱাফমনি। অদুনা হায়রক্লি, *"লম্বোইরগা চৎলগে খল্লুবনি/নিংথৌ লূহুপসে পীরল্লগা/অমুক উপশিল্লগে/লমজেল অসি অমুক্কসু য়াওখিগে..."* (লা: ১৩)

য়ূমগী য়ূম্বুরেম্বীনা পূক্লিং তপ্পা, চাক লন চেল্লবদি ইমুং অদু নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না পানবা হৌনশানি। অদুবু মসিগী হেক ওন্ন-তৈনবদা নুপী ওইবীনা য়াম্না শাউগানবা অদুগা পূক্লিং ৱাখল ৱারকপা ঙমদ্রবদি ইমুং অমা অদুমক লৈখা তানবা মরম অমদি ওইরি। মসি হায় হায়দুনা নুপীদা ঙাক্তসু তায়নবা য়াদবা মতাং লাক্লি। ইমুং অমদা লৈরিবা নুপা ওইবশিংসু মসিদা চাউরবা থৌদাং লৌফম থোকই। নুপা-নুপী থোং মান্নবা অমদি তঙাইফদে নুংঙাইবা ইমুং অমা ওইহনগে হায়রবদি। রোনিকুমারনা মহাক্কী শৈরেং 'য়ূমলৈমা' হায়বসিদা ফোঙদোক্লিংলিবসিদি য়ূম পাল্লবা নুপীনা ইমুং কোয়বদা ইশৌ লাংবা, শাউগানবা অদুগুম্বা ফত্তবা গুণ অদু ফত্তে হায়না ফোঙদোকপনি। অদুননি মহাক্না হায়রক্লিবা, "য়ূমলৈমা তারিব্রা? /ইশৌ পংলাং লাংঙদি/লাপ্না চেনখ্রনি নুংঙাই-য়াইফ খুদিং..." (লা: ১৪) পরেং তরক্না শাবা য়াম্না তেনবা শৈরেংনি অদুবু ফজরবা পাউজেল অমদি পুদুনা চৎলি।

অচুম্বা চৎপা মীদা কায়দা লান্দবা হায়বসি মীওইবগী ধর্ম্মনি হায়রগসু অরানবা তৌরগা নুংঙাইবা, নাপল কানা হিংবা মীসু মশীং খঙদনা লৈরি। মরৈবাক্কীদমক শিবা কিদনা য়েক্লবা লম্বা তৌরল্লগা মীখা পোনবগী মহুৎ নোক্না নোক্না থৱায় থাখিবা লৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী ফীদম অদুমক লৌদুনা থৌনা লৈনা হিংনীংই কবি রোনিকুমারসু। পূন্সিবু লৈহাউ লৈরেনগুম্না ঈংনা নুংশিরবা লৈনম চেনবা মীওই মপোক ওইনীংই। অচুম্ববু থম্মোয়দা লাৎচরি। ইমা লৈবাক পোক্লফম লমদম কোলোই নিংথিজবী মহাক্কী থৌগল তৌজনীংই অমুক্তং তাঙনা ফংবা মীওই মপোকসিদা। অদুনা কবিনা ইরক্লি 'চুম্না চৎপা মীওইদা' হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিদা অসুম্না *"লম্বী লক্ষ্মাংদা অরেম্বদা শিবদি তল্লি/... টিকেন্দ্রজিৎকুম্না ফাঁসি শগাই কাজগে/... অচুম্বদি নুংশি, ফত্তবনা য়েক্লবনি/নুংশিবগীদমক শিজগে, অফম্বা মরূ হুল্লমদুনা..."* (লা: ১৯)

মীওইবনা তাইবঙপালসিদা হিংদুনা লৈরক্লিবসি নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগীনি। খুন্দা লৈতাদুনা মীওইবা খুন্নাই শেমদুনা লাক্লিবসি সভ্যতা অসিসু ফনদি কুইরক্লবনি। পূন্নমক অসি পরম কায়দনা লীক্লম কায়দনা লাক্লিবসিদা অফ-ফত্ত, অচুম-অরান, তৌহৈবা-তৌহৈদবা হায়বা অমসু লৈরি।




লাইরিক্কী মমিং :- 'ৱাংমদা শাৎপী থাদোই' (২০২৪)
অইবা :- চোংথাম রোনিকুমার সিংহ
অফোঙবা :- সাহিত্য একাদেমি
লাইরিক্কী মখল :- শৈরেং
লমায় মশীং :- ৬৬
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ১১০/-
লাইরিক্কী মখুম :- কৌশীক কিশলয়




মসিনা খুন্নাই অসিবু মীওইবা খুন্নাই ওইনা থম্বদা তেংবাঙলি। মসিবু কিনা লুনা খন্দুনা লীক্লম কায়দনা চৎপদি তঙাইফদে হায়বা ৱাখল্লোন ফোঙদোকপা শৈরেংনি 'করিসু কায়দেদা'।

মণিপুরগী হৌজিক মতমগী খুন্নাই অসিবু য়েক্লিবা শৈরেংনি 'মীকপ থোক্লো'। মনীং তম্বা লৈবাক অমগী নাগরিক অমা ওইরবসু নীং-তম্না ৱাহৈ খরা ফাওবা নীংথিজনা ফোঙদোকপা য়াবগী ফীভম অদু ওইশিল্লক্তবা মতাং কয়া য়াওরক্লি। মরু ওইনা অচুম্বা ৱা খরা, লৈবাক খুন্নাইবু ফহন্নীংদুনা করিগুম্বা খরগা ফোঙদোক্লুরবদি অৱাফমদা হেক হেক তাবগী মতাং লাকপা থেংনরি। মসিদি অফবা লৈবাক অমগী লৈঙাক্লোনদি ওইদ্রে হায়নীংই কবিনা। অদুননি মহাক্না মীকপ থোক্লো হায়রক্লিবসি। অদুনা সেতাইরিকেল ওইবা তোনদা হায়রক্লিবা, *"হৌদোং খৎনবা খাম্বা তৌহৈদে/লাই ইল্লম্মদি লাই ওক্লনি..."* মসিদা মহাক্না 'হৌদোং' হায়রিবসি য়াম্না ৱাহন্থোক লৈ। হৌদোংগী লমচৎকা মান্নবা ফত্তবা তৌবা, হুরানবা হৈবা, ইকায়বা খঙদবা, লৈবাক নুংশিবা শাবা কয়া মীৎনা উরবা, নাকোংনা তারবা কন্টেম্পরি মণিপুরী খুন্নাই অসিবু উবদা নুংঙাইজদে কবিনা। অদুনা অমুকসু হায়রক্লি, *"পতালদগী হেন্না শাথীরিবা নোরোকসিদদি/তেলঙ্গা পাইবা ফাওবা তল্লে/অঙাংনিনা অমুক শোয়খ্রদি, মীংচৎ থীহনখ্রদি/লৈকায় ঙাকপগী/কাঙলোনশিংনা অমুক কৈশুমশঙদা ফাদোক তাহল্লদি..."* (লা: ২২) ৱাখলদি নীংজিং মাংজিংনৈ। অদুবু ইমা লৈবাক অসিগীদমক্তদি অচুম্বগীদমক্তা চোংশিন্দুনা থৱায় ফাওবা থাদোক্কনি হায়রক্লি। মসিনি নেসনেলিজম। ঙসিগী নহারোলশিংদা হুল্লিবা মমা লৈবাক মরমদম নুংশিবগী ইহুল।

পূন্সিগী খোঙথাং হায়বসি য়াম্না লুবা অমনি। মসি নুপী খক্তগীসু নত্তে, নুপা ওইবশিংসুনি। পূন্সিদা লৌগদবা ৱারেপ অসি করি করম্বা মতমদা লৌগনি হায়বসি হান্না খঙবা মীওইশিংতনা পূন্সিদা মায় পাকই। অরানবা পুংফমদা লৌরোইদবা ৱারেপ লৌরুবনা পূন্সি খোঙচত্তা অৱাবা তাবা মীওই কয়া লৈতবা নত্তে। কবিনা 'নুপীগী খোঙথাং' হায়রিবা শৈরেং অসিদা ফোঙদোক্লিবসু কনাগুম্বী নুজা অমনা মথোৎ কারকপগী মতমদা খন্থহৌদবা মীকুপ্তা লৌখিবা ৱারেপ অমনা পূন্সিদা *'মৈগী চীংগী অৱাবনা নন্দুনা লেনবা মানবগুম... অপঙবনা লাঙ্গোই চল্লকপা'* (লা: ২৬) থৌদোকশিং থোক্তবা নত্তে হায়না চেকশিন ৱারোলশিং ফোঙদোকপা থেংনৈ। 'তাইওন্নবা' হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিদা অমুক খুন্নাই অসিদা নুপীশিংদা য়েংলিবা মীৎয়েং, খল্লিবা ৱাখল অদুগা মীনা অফম্বা থবক তৌরক্লবা থাগৎনীংদবা মতৌ অদু ফোঙদোকপা থেংনৈ। অফম্বা থবক তৌবদা পূক্লিং থৌগৎপীবগী মহুত্তা করেম্নবা, নোক্লবা অমসুং থৌওইনদবা মওংশিং অদু থিন্দুনা তাক্লি ফত্তে হায়না। অদুনা হায়রক্লি, *"শঙ্গোমবু হৈ মরীক অমনা মাঙহনবনি/নশাগীদি লোৎশিনবা/মীগী অফম্বু ফত্তবতা ওইনা উরিবা/নমীৎতুগী মরাল নত্তেকো/নপূক্লিংগী মরালনি"* (লা: ৩১) পুকচেল শেংবা মীগী ফনবা খনবা অদুগুম্বা ৱাখল্লোনশিং চেলহন্নীংই খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংবু কবিনা।

মালেমগী শক্তি লৈবা লৈবাকশিং শম্না সুপর পাৱর লৈবাকশিংনা পুনশিল্লগা মালেমগী থাক্তা লূপ কয়া শেন্লি মালেমদা শান্তি পুরক্লবা হায়দুনা। খোল্লাও কয়ানি লাউনরিবা। অদুবু লান হায়বদুদি লোইবা নাইদে। মীচম মীয়াম কয়া শিরি মরাল শুক্লে লৈতনা। বোম থাদরি শক্তি লৈবা লৈবাকশিংনা। অনৌবা লোইলম লৈঙাক শন্দোক্লি। খূৎশু খূৎলায়শিং অরোনবা লানগী কৈথেলশিংদা য়োল্লি। পোলিটিক্স শান্নরি। অসিগুম্বা মালেমগী ওইরিবা ফীভম অসিদা ইদবা ঙমদে 'এটোম বোম য়েপ্লগা'। কোল্ড ৱারদি অদুম্মক লেপত্রি তাকপনি। অদুনা ইরক্লি আইরোনিগী তোন্দা, *'করিনো?/করি করিনো?/নখোয়না ঙাঙনরিবা, শাউনরিবা?/এটোম বোম! এটোম বোম! নথা নথাদা য়েপ্প রগা...!"* (লা: ৩৭) অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মীপাইদবসু ঙমদে কবিনা। অচুম্বা অশেংবা ফজবা মশক মাঙশিল্লক্লবা পোষ্ট মোদর্নিজমগী মশক অমসু কবিনা উরদুনা মচেৎ মকায় মহাম তারবা তাইবঙপাল অমগী শক্লোন অদু উরুবা মীকুপ্তা ইরক্লি, 'পৃথিবী নঙদি কমদৌবা' হায়না মিংথোনবা শৈরেং অমা। মালেম লৈমা ইমাদি অদুমক ঈংনা তপ্পা লৈরি অদুবু মীওইবা নহাক্তি লাই হাক্তক্তগী অদুমক ফত্তবা ওইরক্লব্রা হায়না হংলি। মরমদি ঙসি উরিবা মালেমসে মীওইবনা মশাগীতা খনবনা 'করিগুম্বদা খমনুং পতাল ওইনা উরকই' (লা: ৪২)

মীতৈশিংগী অদুগা লমদম অসিগী চাক, লনগী লাইরেম্বী ওইরিবা খুন্নাই অসিনা কিনা লুনা নীংনা লাৎনরিবা লাইরেম্বীনি ইমোইনু। অদুবু হোংলক্লিবা ঈরাৎ থৌনিগী মশক অদুগা পরম লীক্লম চুমদনা তৌহৈবা তৌহৈদবা কয়া অমা হেক হেক লাইগী থৌরমগী মিংদা পাঙথোক্লবা থেংনরকপা মতমদা কবিসু মসি ফত্তে হায়বা মিৎয়েংদা ইরকপনি 'লৈবাকসিদা লৈজনীংদে' হায়বা শৈরেং অসিমক। অদুনা ইরক্লি, *"ইমোইনু ঐ শাউরে হৈ/ঐ তশেংনা শাউরবনিকো/লাই নীংবগী মিংদা... শরেং অপূম্বা কৎপা... য়ূম্বুরেম্বীগী জর্দা মনম্লে/অসিদবু করিগী ঐনা লৈনীংগদগে/ করিগী চাকহোঙ ঙাহোঙনবা!"* য়াম্না লুবা অসিগুম্বা ঈনাৎ লাইনীংগী মশক অসি কায়দনা লৈহন্নীংই নহা কবি অসিনা। মিংথোল ওইরিবা শৈরেং 'ৱাংমদা শাৎপী থাদোই' নহা মথোৎ কারকপা মতমদা অফ-ফত্ত থোইনা থিরুদনা পূক্লিং থম্মোয়না খোয়দারুবা কনাগুম্বী নুজা অমগী ৱাখলদা লুপ্তুনা পূন্সি শিন্থা ফাওবা তুংওইনদুনা নুংশি মঙলান্দা তাওদুনা লৈরুরগা নীংবা কায়না থম্মোয় মৈশা লাংদুনা পূন্সি লেনবা পাখঙশিংগী মফমদা থেংনবা পূন্সিগী মশক অমা উবা ফংই। তুরেল অমগী তোর্ব্বানগুম্না নকশিন্নবগী ওইথোকপদি লৈত্রবসু নুংশিবা হায়বসিদি থম্মোয়দা অদুম্মক লেঙদনা লৈ হায়বদুসু ফোঙদোক্লি। অঙোম নোংবান্না মচা ইবেম্মা লাংলেন থাদোইবু নুংশিজরবসু লাইবক্লদি তল্লমদে। অদুগুম্লদুনা কবিগী পূক্লিং লৈকোলদা লৈশাৎ তল্লিবী মহাক অদুসু *"... ৱাংমদা শাৎপী লৈরাংনি/নমিংনা মোইরাং থোইবী থাদোইগীনি/ পূন্সিদা লাম্বা ফংলরোইদ্রা চিংনজৈ..."* (লা: ৬৬) য়াম্না চম্বা নুংশিবা শৈরেংশিংসু য়াওরি। মসিগী মনুংদা নোষ্টালজিক ওইবা শৈরেংনি 'নিঙোল চাক্কৌবা' অদুগা লাংবন তর্পন ইপা ইপু নীংশিং থাবু নৌহৌনা নীংশিংহল্লিবা শৈরেংসু য়াওরি, 'লমখুনু' হায়না মিংথোন্দুনা।

মপূং ওইনা য়েংবদা রোনিকুমারগী অহানবা শৈরেং লাইরিক অসিমক চংখোল্লে হায়না লৌবা য়াই। অদুবু মিংথোল অমসুং শৈরেংগী থিমশিং শাগৎলকপদা তরেৎ তরা থোক্না য়েংলগা খন্দোক খঞ্জিন তৌরবদি অমুক্কা হেন্না নিংথিজগনি খল্লি। লাইরিক অসিগী মখুম য়েক্লিবা কৌশিক কিশলয়না লাইরিক অসিদা য়াওরিবা শৈরেংশিং অসিগী মগুণসু অমুক হাপ্লি।

*- তোংব্রম অমরজিৎ*